# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-04-2025)**

**পুলিস(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মনিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা নেসনেল হায়ৱে টুগী কাংপোকপী জিলাগী টি-খুলেন অমসুং কৌব্রু লৈখাগী মপাদা ঙরাং পেত্রোল্লিং চৎলিঙৈদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পি.কে. ৱার্কশোপ ময়াদা মীওই খরনা ত্রকশিং খামদুনা শেল লৌনবা হোৎনরম্বা থেংনখি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিং উবদগী মীওইশিং অদু চেনখি। অদুমওইনমক, মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং লপা লিশিং ২৫ ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং বজারদগী প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লোইতাং খুল্লেন মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোরে সহরদা লৈবা দুকান অমদগী য়াল্লবা য়ুঙাংশিং ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদুগী মনুংদা ৱিসকি বোটল ১২০, রম বোটল ৪১, ৱাইন বোটল ২৪, ভোকা বোটল ১৭ অমসুং বিয়ার বোটল ৮০ য়াওরি।

চুরচান্দপুর সহরগী মফম কয়াদা চত্থখিবা দ্রাইবতা মনিপুর পুলিসনা ৱিসকি বোটল ২৬৭, রম বোটল ৭২ অমসুং বিয়ার কেন ১৬০ ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা পোৎলমশিং অদু মেদিয়া ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেট অমসুং এক্সাইসকী মমাংদা মাঙ-তাকহনখ্রে।

মরক অসিদা, অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা গাড়ি ৩১৮ অমসুং

২৫০ পুশিল্লকখ্রে।

**উখ্রুল(এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী ওইনা নোংমৈ লাইসেন্স পায়বা পুমমকা মখোয়গী নোংমৈ লাইসেন্সকা মরী লৈনবা চে-চাংশিং  ভেরিফিকেসনগীদমক খঙহল্লি।

তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোটিশ অসি থোকপদগী নুমিৎ ৩০ নিগী ফাওবগী মনুংদা  মীয়ামা মখোয় মখোয়গী নোংমৈশিংগী লাইসেন্স মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পীখৎলকবা হায়রি।

**পখৰরা (এল) ঃ** সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা জিলা অদুদা তরেৎশুবা পোসন পখৰরা ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

সেনাপতিগী দি.আর.দি.এ. কনফরেন্স হোলদা দি.পি.ও. আই.সি.দি.এস. সেলনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোলি দোলেনা হায়-সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা অথুবা মতমদা হেন্না ফবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং শেমগৎলগনি। মহাকা হায়-জিলা অদুদা লৈরিবা পি.ঐচ.সিশিং অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী ফিভম য়েংশিল্লগনি। অসিগুম্বা ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং অসিদা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংনা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পোসন পখৰরাগী খোঙচৎ অমা চৎখি।

**এময়ু (এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্সনা শিনদুনা নুমিৎ ২০ নি চথুরকপা মনিপুরি দান্সকী ৱার্কশোপ লোয়শিনখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুদা সুত্রধারি, ত্রাইবেল দান্স, চকপা হরাউবা, মনিপুরি

ক্লাসিকেল দান্স, কোরিওগ্রাফি অমসুং লিব্রেটো রাইটিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা ই-শ্রমগী অখন্নবা রেজিষ্ট্রেসন কেম্প অমা ককচিং জিলা শিনবা থুংবদা থা অসিগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

থৌরাং অসিনা অন-ওর্গনাইজ শিন্মীশিং, প্লেটফোর্ম শিন্মীশিং ই-শ্রম পোর্টেলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী খুদোংচাবা পীরি। দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ককচিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রিবা কেম্প অসিদা য়াওনবগীদমক জিলা অসিদা লৈরিবা কম্মন সার্ভিস সেন্টরশিং নৎত্রগা এস.দি.ও., বি.দি.ওশিংগী ওফিসতা চৎতুনা রেজিস্তর তৌবা য়াগনি।

**ৱাকফঃ** দা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ ঙরাংদগী চৎনবা হৌখ্রে। রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা এক্ট অসিবু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা সরকারনা হীরম অসিগী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

মমাং চয়োলদা সংসদকী সভা অনিমকা এক্ট অসি পাস তৌখিবনি। অনৌবা আইন অসিনা ৱাকফকী লন-থুম নীংথিনা য়েংশিন্নবা, হেরিটেজ সাইটশিং ঙাক শেনদুনা থমবা অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার হেন্না চাউখৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

**সরেন্দরঃ** ছাতিসগরদা ঙরাং মাওইষ্ট ২২ সরকারদা চংজরকখ্রে। বিজাপুর জিলাগী এদিসনেল এস.পি. চন্দ্রাকান্তনা হায়-সরকারনা চংজরক্লিবা মাওইষ্টশিং অসিগী মনুংদা মাওইষ্ট মরি ফাবা নৎত্রগা পাউ পীরকপদা সরকারনা লুপা লাখ ২৬ কী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি।

সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুদা ইনসেন্টিব ওইনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ খুৎশিন্নখি। হৌজিক ফাওবদা হন্দক চহি অসিগী ওইনা বিজাপুর জিলা

খক্তদা মাওইষ্ট ১৮০ সরকারদা চংজরকখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** পোর্টুগলগী ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙচৎ মায় পাকা লোয়শিনখ্রবা মতুং রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু ঙসি অয়ুক স্লোভাকিয়াগী কোনুং ব্রাতিসলাভাদা থুংখ্রে।

ভারতকী রাস্ত্রপতি অমনা পোর্টুগলদা চৎপা অসি চহি ২৭ কী মতুংদা অহানবনি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি (ৱেষ্ট) কেনমৈ লালনা হায়-রাস্ত্রপতিনা পোর্টুগলগী প্রধান মন্ত্রিগা মীফম পাঙথোক্তুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি। লুচিংবা অনিনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পীননবা ৱাফমশিংসু খন্নখি হায়রি।

ভারতকী রাস্ত্রপতি অমনা স্লোভাকিয়াদা চৎপা অসি চহি ২৯ গী মতুংদনি। রাস্ত্রপতিনা স্লোভাকিয়াগী রাস্ত্রপতিগা লৈবাক অনিগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মীফম অদুদা স্লোভাকিয়াগী প্রধান মন্ত্রিসু শরুক য়াগনি। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নেসনেল কাউন্সিল ওফ স্লোভাকিয়াগী স্পিকরগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা জম্মু কাশ্মিরদগী টেরোরিজম পুংমুৎ মুত্থৎনবা অমসুং ঙমখৈ ৱাংমদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা পুমথিং থিংনবা হায়রি।

শ্রীনগরগী রাজ ভবনদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অনি পাঙথোক্তুনা লমদম অদুগী ঙাকশেল অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগা মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-ওমার অব্দুলা, উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহা, কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরোগী দাইরেক্তর, লান্মীগী মকোক, জি.ও.সি. নোর্দন কম্মান্দ অমদি অতৈ মকোক থোংবা ইন্টিলিজেন্সকী মীওইশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা জম্মু কাশ্মির এদমিনিষ্ট্রেসনদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউখৎহন্নবা, টুরিজম হেনগৎহন্নবা, লন্মী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি

মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা পাউতাক পীখি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসি মপুং ফানা চাউখৎনবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম অমদি রেল্লি চৎখিবা, মনিপুর পুন্সিদগী আমদ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱাস এক্ট লৌথোক্কদবনি হায়না মহৈরোই লুপ তরুকা দাবী তৌরকখিবা অমসুং তাদুবী কেন্দ্রগী ফোটো ইলেক্ত্রোরেল ফোংবগী পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইনা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-ৱাকফ এক্টকী মায়োক্তা মনিপুরগী মফম কয়াদা খোঙজং চংশিনখি। এক্ট অসি মুস্লিম খক্তা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মীখল হনগদৌরিবা তাদুবীগী ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মোরনিং বেল, মনিপুর মেল অমদি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং কনশিল্লক্লি, মফম কয়াদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, গানফিয়ু মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। তমেংলোং টামসতনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ব্লেক লোনি হায়না কিনরিবা অফস্পা ১৯৫৮ মনিপুরদগী লৌথোক্তুনা মীয়াম্বু লৈতাহল্লু হায়না মহৈরোই লুপ তরুকা থমখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউ-চেদা-লুপা কোতি ২,৫৪৪ দোনেসন তৌরকপদা বি.জে.পিনা লুপা কোতি ২,২৪৩ ফংখি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

দোমিষ্টিক গ্যাসকী মমল লুপা ৫০ হেনগৎখ্রে, ওপোজিসন্দগী অকনবা ৱাফম লাক্লি, বি.জে.পিসু খোঙজং চংশিল্লি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনবু মথৌ তৌহল্লক্তবগী তেকচাক লৈঙাকা পুগদবনি হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।